# কৌব্রু লৈখাগী চঙফমদা কাই য়াওবা হোজং অথুবা মতমদা শারগনি : লময়ানবা ইপু

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৫ (এইচ এন এস): মীতৈ লাইনিং অমসুং ফুরুপকী মশক্কা লোয়নবা কাই য়াওবা হোজং (গেট) অমা কৌব্রু লৈখাদা লৈরিবা খুভম শঙলেনগী চঙফমদা অথুবা মতমদা শারগনি হায়না মফম অসিবু হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিল্লুবা লময়ানবা ইপুনা লাউথোকখ্রে।

কৌব্রু লৈখাদা লৈরিবা খুভম লাইশঙগী শঙলেন অমসুং মীতিনশঙনচিংবশিং অসিগী ফীভমশিং য়েংশিনবা চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা লময়ানবা ইপুনা য়ুাই নুংশং শিন্থা লূপনা অহিং মীৎসেল খাৎদুনা লাইশঙ শঙদুনা লৈরকপগীদমক চান-থক্লবা পোৎলমশিং মতেং পাংখি। মতম শাংনা লাইশঙশিংবু শঙলক্লিবা শিন্থা লূপকী মীহুৎ য়াইমদা মীতিনশঙ অসি খরা পাকথোক চাউথোকহন্নবা



অমসুং মসিগী লৈমায়শিং ফ্লোরিং তৌশিনবগীদমক শেলসু খুৎশিন্নখি।

লাক্তৌরিবা জেনরেল ইলেক্সনদা মীরেপ ওইননবা শেম-শারিবা লময়ানবা ইপুনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক কৌব্রু লৈখাদা লৈরিবা লাইনিংথৌগী শঙলেন, লাইশঙ অসিগী মনাক্তা লৈরিবা মীতিনশঙ অসি য়াম্না পীকমনবনা খরা হেন্না পাকথোক চাউথোক্তবা য়ারক্তবদগী চাউথোকহল্লগনি। মীতিনশঙগী লৈমায়সু ফ্লোরিং তৌশিনবগা লোয়ননা মীতৈ ফুরুপকী লাইনিংগী মশক্কা লোয়নবা কাই য়াওবা হোজং অমসু কৌব্রু লৈখা লাইফমলেনগী চঙফমদা অথুবা মতমদা শারগনি হায়খি।

মহাক্লা হায়খি, লাংওন-লংদাইদা চৈশু শুরকপা মতমদা ঐখোয় মশেল ইশক-মীশক খঙনরোই। মরম অদুনা ঐখোয়না তৌরম্বা থবক্লা ঐখোয়বু মশক তাক্কদবনি। মতম অদুদতা মীতৈ পোকপী ইমাগী খোল্লাং লম্মন শীংদুনা ফুরুপসিগী উমং লাইগী খুতমশিং কন্দুনা শেম-শাগদবনি। অরাং কৌব্রু অসুপ্পা, চীংঙ লাই খুন্দা অহানবা, শনরিক মপান থাবা হায়নরিবা পোইরৈ মীতৈ লৈবাক্কী 'মরূ' হায়না খঙনরিবা কৌব্রু লাইফমশিংনি। কংলানা খোইদৌ ওইবা, লোক্তাক ইশাই মাপলনা মিংশেল তেক্কোৎ ওইবা, উমংলাই পুন্নমক্কী হরাও মথোই কান্নফম ওইরিবা কৌব্রু লাইফম অসি মীতৈশিংগা তৎন-থানবা য়াদ্রবা লাইফমনি। মীতৈশিংগীদি কোকলেননি হায়খি।

মফম অসিদা মৈ ফংদ্রিবা অসিসু চীফ মিনিষ্টরদা হায়জরগা য়াম্না থুনা মৈ পুশিন্নবগী থবক পাংনবা হোৎনগনি। কৌব্রু হায়বসি মী পোক্ত্রিঙৈদগী লৈরক্লবা কৌব্রু ইপানি। মীতৈ লৈবাক্কী মরুওইবা লাইফম অমা ওইবগী মথক্তা মহাক্লা চীংমী-তম্মী পুন্না কোনশিল্লিবনি। মরম অদুনা লৈবাক মরা তপ্না ফুরুপ অমগা অমগা নুংশিনদবা থোক্তনবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু পাউমীশিংগী খুথাংদা আপীল তৌখি।

## ইন্দিয়াদা রেকোর্দ ওইনা কেস লাখ ৩.৪৯...

*লামায় ১গী মখা...*অনৌবা কেস ৩,৪৯,৬৯১ থেংনখিবগা লোয়ননা মীওই ২,৭৬৭সু লৈখিদ্রে। নোংমদা মীওই লিশিং ২গী মথক্তা লৈখিদবসু থংন-থংননা নুমীৎ ৫নি শুখ্রে। লৈবাক অসিগী ওইনা ঙসি ফাওবদা লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদবা মশীংসু ১,৯২,৩১১ য়ৌখ্রে। এক্টিভ কেস মশীংসু হেনগৎলক্তুনা ২৬,৮২,৭৫১ য়ৌখ্রে। ইন্দিয়াগী ওইনা অপূনবা কেস মশীং ১,৬৯,৬০,১৭২ য়ৌখিবগা লোয়ননা ফগৎলকপা মশীংনা ১,৪০,৮৫,১১০ শুরে। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৮৩.০৫ হন্থরকখ্রে।

লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ লাকখ্রবা মতুংদা অনৌবা কেস হেনগৎহনবদা চাউনা মতেং পাংলিবা ষ্টেটশিংদি মহারাষ্ট্র, উত্তর প্রদেশ, কর্নাটকা, কেরলা অমসুং দেল্লীনা ওইরি।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা দেল্লীদা অনৌবা কেস ২৪,১০৩ হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা মীওই ৩৫৭ শিখি। মহারাষ্ট্রদনা অনৌবা কেস ৬৭,১৬০ থেংনখিবগা লোয়ননা মীওই ৬৭৬ শিখি। উত্তর প্রদেশতনা অনৌবা কেস ৩৭,৯৪৪ থেংনদুনা মীওই ২২২ শিখি। কর্নাটকাদনা অনৌবা কেস ২৯,৪৩৮ থেংনদুনা মীওই ২০৮ শিখি। অদুগা কেরলাদনা অনৌবা কেস ২৬,৬৮৫ হেনগৎলক্তুনা মীওই ২৫ শিখি।

## মেজর চোংথা মিয়াগী খুভমদা হৈকৎ...

*লামায় ১গী মখা...* ত্রিপুরাগী প্রসিদেন্ট গুরুময়ুম বিপ্লবনা অথোইবা মীথুংলেন ওইরগা চৌমোনি বজার জি পিগী উপ-প্রধান গুরুময়ুম গৌরহরি অমসুং পঞ্চায়ট মেম্বর সঞ্জেনবম ওংবী চন্দনানা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

থৌরম অসিদা ট্রষ্টকী সেক্রেটরি হৈক্রুজম ওংবী গনধেশ্বরিনা ৱাহৌদোক পীরগা মরুপ পাউচেগী জোইন্ট এদিটর আর কে তরুনজিৎনা খোংজোম নুমীৎকী মরমদা ৱা ঙাংখি।

অমরোমদা, জষ্টিস কম্মিটি ওন এংলো মণিপুরী ৱার, ১৮৯১, মার্টিয়র্স এন্দ ফ্রীদম ফাইটরস ওফ কংলৈপাক, মণিপুরনসু লৈখিদ্রবা চিংলেনসনাগী ইমুং-মনুংগা খুৎশম্ন দুনা মহাক্কী ১৩০ রকশুবা চহীগী কুমওন থৌরম ঙসি অয়ুক সগোলবন্দ মোইরাং লৈরক্তা লৈবা সনখ্যা মেঘজিৎকী শঙ্গাইদা পাঙথোক্তুনা হৈকৎ-লৈকৎ তমখ্রে হায়রি।

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 90.645898 |
| US Dollar | 74.929823 |
| British Pound | 103.979929 |
| Australian Dollar | 57.956180 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.536484 |
| Japanese Yen | 0.693408 |
| Malaysian Ringgit | 18.231872 |
| Singapore Dollar | 56.466088 |
| South Korean Won | 0.067196 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.981286 |
| Thai Baht | 2.384335 |

### GAS NEWS

**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING DATE : 28/01/21**
Sl.No.01 to 100
Time: 11am to 2pm
Any enquiry and booking Contact no. 7629045883

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 01/04/2021
**BOOKING upto:03/04/2021**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY: 03852444677
TIMING: 7:30am to 11:00am

**JRongmei SK Indane Wangoi**
**Bking upto 2/2/21**
Valid from 26/1/21.
**Stk 306**
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (Contact no. 8119073029, 8974436830)

## একু্যইজ মরি অমুক হন্না ফাগদবনি হায়বা হায়...

*লামায় ১গী মখা...* বেলদা থাদোকখিবনি। অদুবু সী জে এম, চান্দেলনা একু্যইজনি হায়রিবা মীওই মরি অসিবু বেলদা থাদোকখিবগী মায়োক্তা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চীফ সেক্রেটরি (হোম) অমসুং চান্দেল পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জ (ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর)গী মায়কৈদগী সী জে এম, চান্দেলগী ওর্দর অদুবু শীংনরদুনা মীওই মরি অসিগী মথক্তা ক্রিমিনেল রিভিজন পিটিসন অমা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবনি। মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবা ক্রিমিনেল রিভিজন পিটিসন অদুগী নম্বর- ৬ ওফ ২০২০নি। পিটিসন অসি জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চনা লৌখৎলগা মসিগী ৱায়েল চথরল্লবা মতুং অরোইবা হিয়রিং মমাঙ থাগী ৮দা পাঙথোক্লগা মসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা রিজার্ভ তৌদুনা থম্লকখিবনি। অদুগা মার্চ ২৫, ২০২১দা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর লাউথোক্লদুনা সী জে এম, চান্দেলনা মীওই মরি অসিবু বেল পীখিবা ওর্দর অদু কককথৎখিবগা লোয়ননা একু্যইজ নি হায়রিবা মীওই মরি অসি অমুক হন্না ফারগা জুদিসল কষ্টদিদা থম্নবা খঙহনখিবনি। অদুবু হায় কোর্টকী ওর্দর অদুগী মায়োক্তা মীওই মরি অসিগী মায়কৈদগী এল এচ ৱোলরিংনা লুচিংদুনা এস এল পি (ক্রিমিনেল) নম্বর-৩০৮৭ ওফ ২০২১ সুপ্রীম কোর্টতা ফাইল তৌরকখিবনি। লোয়ননা এপেক্স কোর্ট অসিনা খন্নরগা হায় কোর্টকী ওর্দর অদুবু চৎনহন্দনা থমখিবনি।

## লোক্তাক পাৎ কনবদা মীয়ামগী অচৌবা থৌদাং...

*লামায় ১গী মখা...* কলচরবু ওইরো হিংনবগী শেল থুমগীবু ওইরো, এগ্রিকল্চরবু ওইরো তোঙান তোঙানবা মখল কয়াগী ভিজিটেবল, ঈশিংদা লৈরিবা ঙা মখল কয়া অমা মসিগী অকোয়বদা হৌরিবা এঙ্গাং নাপী ময়াম, পুন্নমকশিং অসি হান্না লৈরল্লিবা মওং ময়াম অদুদগী লোক্তাক প্রোজেক্ট অসিনা লাকখ্রবা মতুংদা অওনবা ময়াম অমা লাকখ্রে।

মসিনা ঐখোয়দা য়াম্না নুংঙাইতবা অমা ফাওই। মরমদি লোক্তাক অসি তোঙান তোঙানবা মরম ময়াম অমগা লোয়ননা এক্সপার্টশিংনা পীনৈ। লৈঙাক্লা মরম ময়াম অমসু মত পীনৈ। লোক্তাক প্রোজেক্ট লাকপদগী এক্কর ১,০০০ রোম মাঙলে। মসি ওজা, এক্সপার্ট ময়ামগী অইবা লাইরিকশিংদা লৈ। লোক্তাক্কী অকোয়বদা লৈরিবা পুমলেন পাৎ অসি কন্নবা হৌজিক ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী দি সীনা তকথোক্ল বগী থা অমগী মতম পীবা অদু এপ্রিল ২৩ দা মপুং ফাখ্রে।

মখোয় অসি তকথোক্লবা হোৎনরি। লোক্তাক প্রোজেক্ট অসি লাকপদগী মসিগী অকোয়বা হান্না লৈরম্বা মীওইশিংদা চাওনা অহোংবা অমা চপ মান্ননা ঙসিগী মীয়াম্না মত পীন্নরি।

লোক্তাক প্রোজেক্ট অসি লাকপা মতমদা লৈঙাক্লা ইন্নখিবা লৈব্রা। চপ চাবা এগ্রিমেন্ট লৈতে। অদুবু নেস্লেল হায়দ্রো ইলেক্ট্রিক প্রোজেক্ট (এন এচ আই পি) না মৈ পার্সনটেজ খরা পীবদা য়ানবা লৈবা মাল্লি। মৈ য়ুনিট অমদা লুপা ৩, লৌ উবা য়াদবা লৌ পরি লীশিং ৩০, কেনেলনা ঈশিং পীরগা লৌ পরি লীশিং ২০ পীনবা হায়বা অদুসু থবক ওইনা অমত্তা ঙসি ফাওবা মায় পাক্লা পাঙথোকপা উদে।

লোক্তক্তা তারিবা ঙামীশিং এল দি এ ফুমদি মৈ থারগা তাম্থোকখিবা অসি চপ চাবা কম্পেনসেসন ফংদ্রি। লোক্তক্তা হান্না লৈরম্বা ঙাশিং অমদি উচেকশিং মাঙশিল্লক্লি। মণিপুরগী কেটচমেট এরিয়াশিং অসি উ ৱা তুরা তুনা য়ানথৎপনা মরম ওইদুনা অকোয়বদা লৈরিবা চীং মরু কোল্লকপনা নোংজু থাদা মদুনা পুথরকপা লৈচাক অমদি ফত্তবা ময়াম পুদুনা লোক্তাক পাৎতা চেন্থরকপগা লোয়ননা পৈশিল্লক্লি।

মসিনা চহী খুদিংগী টন লাক্ষ ৪.৪০ রোম হেন্না পুথরক্তুনা ফত্তবা পোৎলমশিং পৈশিল্লক্লি। মরম অদুনা চহী ১৬০ গী মতুংদদি লোক্তাক পাৎ অসি লৈরম্মী হায়বা খক নত্তনা লোক্তাক পাৎ অসি মুৎখ্রগনি হায়না এক্সপার্টশিংনা মত পীন্নরক্লি।

থৌরম অদুদা এডিটর গিল মণিপুরগী প্রসিদেন্ট, সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরগী এডিটর খোগেন্দ্রো খোমদ্রাম, সোসল ৱার্কর প্রেসিওজিৎ সংলাকপম অমদি ইরমদম কনবা অপূনবা লূপকী জেনরেল সেক্রেটরি দব্লিউ লুৱাং লৈমনচিংবসু শরুক য়াখি।

## কেস ১৪০ নৌনা থেংনখ্রে, অনী...

*লামায় ১গী মখা...*এ আই-৮৮৯গী রো ১২-১৮ ফাওবদা তোংলগা ষ্টেট অসিদা লাকখিবা পেসেঞ্জরশিংনা কম্মন কোভিদ কন্ট্রোল রুম নৎত্রগা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট সর্ভিলেন্স ওফিসরশিংদা খুদক্তা পাউ ফাওরক্লবসু খঙহল্লক্লি।

আই দি এস পিদগী ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না ঙসি সেম্পল ১৭৮৮ টেষ্ট তৌবদা মীওই ১৪০ পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি। মণিপুরগী ওইনা ঙসি ফাওবদা পুন্না সেম্পল ৬,০৪,৬২০ টেষ্ট তৌখ্রে। হৌজিক হোম আইসোলেসনদা মীওই ৪৪০ লৈরি।

মণিপুরগী ওইনা ঙসি ফাওবদা পুন্না মীওই ১,৩০,৯৭৯ কোভিদ ভেক্সিন কাপখ্রে। ভেক্সিন কাপখ্রবশিং অসিগী মনুংদা হেল্থ ক্যের ৱর্কর ৩৩,০৭৬, ফ্রন্টলাইন ৱর্কর ৬৪,১৮২, চহী ৪৫দগী ৬০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওই ১৯,০১৬ অমসুং চহী ৬০গী মথক্তা লৈবা মীওই ১৪,৭০৫ নি হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. রাজোনা ঙসি থোকখিবা মেমোরেন্দম অমনা ষ্টেট অসিদা কন্টেক্ট ট্রেসিংগী থবকশিং হেন্না কনখৎহন্নবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসর কয়াবু তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী দিষ্ট্রিক্ট নোদল ওফিসর (দি এন ও)শিং ওইনা হাপখ্রে। লোয়ননা দি এন ওশিংনা কন্টেক্ট ট্রেসিংগী থবকশিং তৌনবা ৱাফমসু খঙহনখ্রে।

মেমোরেন্দম অদুগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট নোদল ওফিসরশিংনা পোজিটিভ কেস হেক থেংনবগা কন্টেক্ট ট্রেসিংগী থবক খুদক্তগী লৌখৎকদবনি। দি এন ওশিংনা নুমীৎ খূদিংগী কোভিদ পোজিটিভ ওইবগী লিষ্ট অদু ট্রেসিং টিমদা স্যের তৌগদবনি। ট্রেসিং টিমনা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অদু ফোনদা নৎত্রগা ভিজিট তৌদুনা ৱারী-ৱাতাই শানগদবনি অমসুং পোজিটিভ কেস খূদিংমক্কী ওইনা কন্টেক্ট লিষ্টশিং শেমগদবনি। ট্রেসিং টিমনা ট্রেস কন্টেক্ট লিষ্টশিং অদু দি এস ও অমদি দিষ্ট্রিক্টকী টেষ্টিং টিমদা স্যের তৌগদবনি। ট্রেস তৌরবা কন্টেক্টশিং অদুগী অকুপ্পা ৱারোলশিং অদু ষ্টেট সর্ভিলেন্স টিমনা স্যের তৌবা গুগল সিটতা দিষ্ট্রিক্ট ট্রেসিং টিমনা হাপকৎলক্কদবনি। টেষ্টিং টিমনসু টেষ্ট রিজল্টশিং অদু দি এস ওদা স্যের তৌগদবনি। দি এন ওশিংনসু নুমীৎদাংৱাইরম খূদিংগী রিভিয়ু মীটিং তৌদুনা দি সী, সী এম ও, দি এস ও অমদি এস এস য়ুদা কন্টেক্ট ট্রেসিংগী মতাংদা খঙহনগদবনি। করিগুম্বা কোভিদ পোজিটিভ ওইবা মীওই ট্রেস তৌবা ঙমদ্রবদি মখা তাবা এক্সন লৌখৎননবা মীওই অদুগী অকুপ্পা দিটেলশিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস নৎত্রগা কোভিদ কন্ট্রোল রুমদা স্যের তৌগদবনি হায়রি।

## চহী ১০০গী মপুন্সি লৈগদবা কংলাগী নোংপোক থোং...

*লামায় ১গী মখা...* শাগোন্নবা মশক অমা হঞ্জিন্নবগীদমক হোৎনরকপগী মখা পোন্না শাগৎলকপনি। হান্না মতম অমদা লৈরম্বা নোংপোক থোংগী মশক অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা নৌহৌননা শাগৎলকপা ওইরগসু হৌজিক্কী মতম অসিগী মোর্দন টেক্নিকেলদা য়ুম্ফম ওইদুনা শাগদবনি। তৌবতবু থোংগী ষ্ট্রকচরদা মখোঙদা ওইরবসু উ মান্নবা হোৎনবা অদুগা থোং অসিগী মথক্তা কুপকদবা মওংসু ঈনা কুপ্পা মালহন্নবা হোৎনদুনা হায়রিবশিং অসিগী দিজাইনগী মখা পোন্না শাগৎপা হৌরকপনি। মরম অসিনা থোং অসিগী পিল্লর ওইরবসু নৎত্রগা অতোপ্পা শরুক ওইরবসু উনা শাবা মালহন্নবা হোৎনরকপনি।

মহাক্ল মখা তানা হায়, নোংপোক থোং অসি শাবদা চঙগদবা শেলশিং অসি স্মার্ট সিটিগী ফন্দদগীনি। হৌজিক ফাওবদা মপুং ফানা লোইশিনবদা লুপা ক্রোর ৪.৫ লোম চঙগদ্রা হায়দুনা পান্নরি। অদুগা নোংপোক থোং অসিগী মপুন্সি অসিসু য়ামদ্রবদা চহী ১০০গী মপাঙ্গল লৈহন্নবা হোৎনরি। তৌবতবু থোং অসি গাড়ী লানবা য়াবা থোংদি নত্তে। খোঙ লন্বীগী থোংনি। মসিগীদমক তুরেল খোংনুংদা লুথহল্লিবা পাইল ফাউন্দেসনগী অশাংবনা ফুট ৭৫নি। পিল্লর অমদা পাইল ৯না সপোর্ট পীগদবনি। অদুনা তোঙান-তোঙানবা মফম ৫দা লৈগদবা পিল্লরশিং ওইবনা পুন্না পাইল ৪৫ চঙই। মসিগী অপাকপনা ফুট ১৩ ওইরগা অশাংবনা ফুট ১৬০ ওইগনি। লাইবক ফবনা নোংপোক থোং শাবা হৌননবা মফম পীরিবা অসিদা হান্না শারম্বগী চেকখোং লৈরম্বদগী মদু অমুক হন্না মাঙহনবা য়াদবা, প্রিজার্ভ তৌনবগীদমক রেষ্ট্রিক্সন লাকপদগী থবক অসি হৌবগী মতম খরা থিন্থখি। হান্না লৈরম্বা মখোঙশিং অদু থেংনবদগী মফম অদুদগী খরা চৎথোক্লগা অমুক হন্না তৌদুনা শাগৎপা হৌরল্লিবনি হায়খি।

তৌথোকপদা থেংনরকপা হান্নগী থোং অসিগী মখোঙশিং লেংদনা থম্বা য়ানবা হোৎনবদা মতম খরা চঙজখ্রবসু হৌজিক্তি লেংদনা অমসুং কায়হন্দনা থম্নবগী মওংদা শেম্লে। হান্নগী মফম অদুদগী ফুট ১২ হন্দোক্লগা শারে। মরম অসিনা ফুট ১৬০ শাংগদবদু খরদি তেনশিল্লে। অদুম ওইনমক মখোঙশিং অসি হোংদোক হোংজিন তৌররোই হায়রি।

হান্নগী থোংখোঙশিং অদুদা রি-ষ্ট্রকচর তৌবগী থবক্তি ঙল্লোইদবা মরম্ন া মখোয়শিংদু নীংথিজনা শেমজিন-শাজিল্লগা থম্লগনি। কনাগুম্বশিংনসু অরিবা থোংখোঙশিং অসি য়েংনিংলবসু য়েংবা য়ানবা শেমদুনা মসিগী অকোয়বদা লৈরিবশিংসু ফজ হল্লগনি হায়রি। হান্নগী থোং অদুদি উনা সপোর্ট পীরগা ঈনা কুপ্পনি। অদুবু হৌজিক্কী মতম অসিদদি হায়রিবা ফীভম অসি ওইথোকপা ঙল্লরোইদবনা হেন্না ফবা মওংদা চহী ১০০গী মপুন্সি লৈহন্নবা শাগৎলক্লিবনি হায়রি।

কংলা ফোর্ট বোর্দকী চীফ মিনিষ্টরনা চ্যের লৌদুনা মীফম পাঙথোক্লবা মতুংদা য়ানবদগী ফ্লেট ওইনা হৈরসি হায়দুনা হৈরগা থোং অসি শাবা হৌরকপনি। অদুনা পিল্লর ওইজরবসু মসিগী য়োৎ, নুঙ অমসুং মথকসু কুপ্পশিনগনি। মরম অদুনা উগী মখোঙ মালহনগনি। শাগৎলিবা অসি মপুং ফানা লোইশিল্লকপা মতমদা উনা মখোঙ ওইরগা ঈনা কুপ্পগী শক্তম চোংথোরক্কনি। মসিগীদমক ফুট অমা মখায়গী অশাংবনা পৱার সপোর্ট পীবা ঙল্লোইদবনা মনুংদা চোইজ ফুল্লগা শাগৎলকপনি। মসিগী চেনেলদা সেক্সন ৪/৪ মনুংদা ফুল্লগা উ মালহন্নবা শেম-শাগনি। মতায়গী পিল্লর য়াওররোই। অদুবু মরক্তা পিল্লর ৩/৩ লাক্লগা পৱার ৩সিগা লোয়ননা উ মালহন্নবা হোৎনগনি। য়ারিবমখৈ থবক অসি লাক্লিবা দিসেম্বর থা ফাওবদা মপুং ফানা লোইশিন্নবা পান্দম থমদুনা অকনবা মওংদা থবকশিং শুজিল্লি হায়রি।

চীফ এঞ্জিনিয়রগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমশিং অসিদা তেংবাঙলদুনা মণিপুর পুলিস হাউজিং কোর্পোরেসনগী চীফ আর্কিটেক এল বঙ্কিমচন্দ্রনা ফোঙদোরকপদা, হৌজিক শাগৎলিবা অনৌবা অসি হান্না লৈরম্বা অরিবা অদুগী মশক অদুগা মান্নহন্নবা দ্রাফ্টিং অমা নুমীৎ খরনিগী মনুংদা পুথোক্লবা হোৎনরি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

## পোলিটিক্সকী হুন্নবা তোক্লগা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ...

*লামায় ১গী মখা...* পাউ পীবীয়ু। থাংমৈবন্দ এ সীগী মনুং চনবা ৱার্দ নম্বর-১দা লৈবশিংনা টাকদোগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরিবা ঙাঙোম দয়ানন্দগী কন্টেক্ট নম্বর ৭০০৫১৪৩১৫৩, ৱার্দ নম্বর ২গী ওইনা বোরমনিগী কন্টেক্ট নম্বর ৯৮৫৬৬৮৯০১১, ৱার্দনম্বর ৩গী ওইনা ইবোমগী কন্টেক্ট নম্বর ৮২৫৮৮০৫৭২৯ অমসুং ৱার্দ নম্বর ২৫গী ওইনা অর্চনা বিশ্বাসকী কন্টেক্ট নম্বর ৯৮৬২২৯৩১১৬তা পাউ ফাওবীরকউ।

থাংমৈবন্দ এ সীবু কোভিদ ফ্রী ওইহন্নবা এ সী অসিগী মনুংদা লৈবা মীপুম খূদিংমক কোভিদ টেষ্ট তৌথোকপীয়ু অমদি কোভিদ ভেক্সিনসু কাপথোকপীয়ু। কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসি অহানবা শন্দোরকখিবা মতমদা এ সী খূদিংমক্তা এম এল এশিংনা চ্যেরমেন ওইরগা কোভিদকী কম্মিটিশিং শেমদুনা মীয়াম্বু লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লনবা হোৎনখি। অদুবু হৌজিক নৌনা অমুক শন্দোরল্লিবা অসিদা লায়না-লাইচৎ অসি নাবগী মশীং য়ামদবগীরা হৌজিক ফাওবদি কম্মিটি শেম্বা লৈত্রি। হান্না লৈরম্বা কম্মিটিশিংসু মথৌ তৌদ্রে। থাংমৈবন্দ এ সীদা হৌজিক মীওই ২০ হেন্না পোজিটিভ ওইরে। নৌনা পোজিটিভ ওইরবশিং অসি করম্বা মফমদগীনো হায়বা চপ চানা খঙদোক্লবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া থেংনরি। পোজিটিভ ওইবশিংগী লৈফমদা অকক্লবা চপ চাবা মফম পল্লক্তবা অসিনা কনা-কনা নারিবনো হায়বদু খঙহন্দ্রে। মদু খঙহল্লবদি লৈকায় অদুনা হেন্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা য়াবনি। লৈঙাক্লা কোভিদ থেংননবা হান্নগুম্না এম এল এ য়াওবা কম্মিটি শেমহনবীয়ু। পোজিটিভ ওইরবশিং মীওইশিংগী মমিং-মথা এ সী/এ সীগী এম এল এশিংদা খঙহনবীয়ু। থাংমৈবন্দ এ সীগী ওইনা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংগী ইমুংশিংনা লৈকায়গী ক্লব নৎত্রগা এম এল এদা পাউ পীবীরকউ। চেকশিন থৌরাং লৌখৎমিন্নসি। পোজিটিভ ওইরবা ইমুং অদুদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অমদি হিদাক-লাংথকশিং টাকদোগী মায়কৈদগী থিঞ্জরক্কে। নারক্ত্রিঙৈদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌবনা খ্বাইদগী অফবা ওইগনি।

থাংমৈবন্দ য়ুনাইটেদ ক্লবকা খুৎশম্নদুনা হান্নদগী হৌনা কোভিদ লায়না-লাইচৎতগী ঙাকথোক্লনবা অকনবা চেকশিন থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। এ সী অসিগী মনুংদা লৈরিবা কোভিদকী অৱা-অনা তারবশিংদা টাকদোগী ভলন্টিয়রশিংনা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংসি। পোলিটিক্সকী খেন্নবা থমদনা মীয়ামগা অমত্তা ওইনা খুৎশম্নরগা লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনমিন্নসি। লায়না-লাইচৎ অসি থেংনবদা লূ-নানবা হায়বসিসু য়াম্না মরুওই। মরম অসিনা থাংমৈবন্দ এ সীগী মনুংদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ফত্ত-হাওদি পৈদুনা লৈরিবশিং অসি আই এম সীনা মতম চানা লৌথোকপীয়ু। লোয়ননা ইরম-নালাশিং লূ-নান্না থম্নবগীদমক এ সী অসিগী মনুংদা লৈরিবা লম্বী-থোংশিং অমদি দ্রেন চন্দনা লৈরিবা কয়া অসি অথুবা মতমদা লৈঙাক্লা শেমগৎ-শাগৎপীয়ু। ষ্টেট অসিগী ওইনা নফসাগী চেঙগী কোটা হন্থনা পীরক্লে হায়রি। থাংমৈবন্দ এ সীগী মনুংদা লৈরিবা নফসাগী চেঙ ফংলম্বশিংনা আধার কার্দ মরী লৈনবা ওথোরিটিদা সবমিট তৌহৌদ্রবদি চেঙ অসি ফংলোইদৌরিবনি। মরম অসিনা বেনিফিসরিশিংদা আধার কার্দ সবমিট তৌহৌদবা অমদি চিংথ-নাম্থবা য়াওহৌরবদি মরী লৈনবা এফ পি এস এজেন্টশিংদা পীশিনবীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা মহাবির জয়েন্তিগা মরী লৈননা মণিপুর মীয়াম মরুওইনা জেন কম্যুনিটিদা য়াইফ পাউজেলসু পীরক্লি।

## মান্নবা খুন্নাইদা য়ুম্ফম ওইবা কংলৈপাক ১...

*লামায় ১গী মখা...* কে ৱাই কে এল-এম ৱাই এলগী লেফটনেন্ট কর্নেল ঈংবা অমদি কে সী পিগী ১৩১ বট্টালিয়নগী সী ও লেফটনেন্ট পুনশিবনা অথোইবা মীথুংলেন, অহানবা বট্টালিয়ন অসিগী সীও, কেপ্টেন ধনানা থৌবুরেল, কে ৱাই কে এলগী মেজর শান্তা, কেপ্টেন তম্বা অমদি কে সী পিগী লেফটনেন্ট য়াইফরেম্বনা অখন্নবা লেংবীরকপশিং ওইদুনা থৌরম অসি পাঙথোকখি হায়রি।

থৌরম অসি অহানবমক্তদা, কে ৱাই কে এলগী লেফটনেন্ট কর্নেল ঈংবনা য়াওল্লুপ অসিগী ফিরাল চিংখৎতুনা অমদি য়াওলগী ঈহৌদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা কংলৈপাক অমদি ৱেসিয়া লমদমগী য়াওল্লোয় অথৌবা-অথৌবীশিংগী মফমদা কোক নোন্না ঈকায় খুম্নবা উৎতুনা হৌদোকখি। লোয়ননা য়াওল্লুপ অসিগী মীয়ামগী য়াওল লান্মী (এম ৱাই এল)গী মেজর শান্তনা ঈকায়খুম্নজরিবা চ্যেরমেন এন ওকেননা থৌরম অসিগা মরী লৈননা মীয়ামদা পীবা পাউজেল পাথোকখি। চ্যেরমেনন পীবীবা পাউজেল অদুনা ঐখোয় পুন্নমক্তা হৌজিক লৈরিবা য়াওলগী ফীভম অমদি ঐখোয় পুন্না করম্বা খোঙথাং থাংমিন্নগদগে হায়বা অদু মমুৎ তানা খঙমিন্নখি হায়রি।

থৌরম অসিগী অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা লেফটনেন্ট কর্নেল ঈংবনা লমদম অসিগী য়াওল ঈহৌ অসিগী মচি ওইবা নুংগী ৱাখল্লোন খঙমিন্নবা য়াওল লাম্থেং অসি মাঙলোমদা চঙশিনমিন্নসি হায়না থন্বীখি। মান্নবা খুন্নাইগী মচি ওইবা ৱাখল্লোন খঙমিন্ননবা হোৎনমিন্নসি অমদি ইন্দিয়াগী য়েম্মৌনবা অনেম-অৱাং অমদি ৱেসিয়াগী মোঙ্গোলোইদ ফুরুপশিংবু মরু ফংনা মুথৎলগা ময়াং হিন্দুশিংনা খুল্লিংবা খুন্নাইরোল অমা শাগৎলক্লবা অতম্মনা ফোংনা অমদি লোন্না লান্দারক্লিবা অসিদগী ৱেসিয়া মীয়াম্বু কঞ্জনবগীদমক অপূনবা নীংতম লাঞ্জং চঙশিনমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা কেপ্টেন ধনানা হৌজিক ওইরক্লিবা য়াওলগী খোঙচৎ অসিনা ঐখোয়গী কংলৈপাক অমদি ৱেসিয়া লমদম অসিদা চঙশিল্লিবা য়াওলগী খোঙথাং অসি হেন্না চেৎশিন্না অমত্তা ওইনা চঙশিনমিন্নবগী তঙাইফদবা অদু লৈরে হায়না ফোঙদোকখি। মান্নবা খুন্নাই খুল্লিংনবগী ৱাখল্লোনদা য়ুম্ফম থোন্দুনা শাগৎলকখিবা য়াওল ঈহৌ অসি হেন্না চেৎশিন্না মাঙলোমদা মায় পাক্লা চঙশিনসি হায়রবদি ঐখোয় মশেল মচোই-মচোই তানবগী ৱাখল্লোন থাদোক্লগা অমত্তা ওইবা য়াওলগী পাঙ্গল শাগৎমিন্নদুনা অপূনবা লাম্থেং চঙশিনমিন্নরবতদা ঐখোয়না মায় পাকপা ঙমগনি হায়খি। য়াওল ঈহৌ অমগী মপুং ফাবা মায় পাকপা পম্থুং হায়বসি য়াওল্লোয় ওইরিবা ঐখোয়না চৎলিবা 'রেভল্যুস্নরি মোরেলিটি' অদু মপুং ফানা ঙাক্লা চৎলবতদা ওইথোক্কনি হায়বা ৱাফমসু থন্বীখি। য়াওল্লোয় অমগী লিচৎ চৎতবা মীশক অমনা কৈদৌঙৈদসু মপুং ফানা মায় পাকপা য়াওলগী খোঙথাং থাংবা ওইথোক্তে হায়খি। চঙশিল্লিবা য়াওল ঈহৌ অসি মায় পাক্লা চঙশিন্নবগীদমক ঐখোয় খূদিংমক য়াওলগী ফিদম ঙাকপা য়াওল্লোয় ওইমিন্নসি হায়না থন্বীখি হায়রি।

অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোলদা কে সী পিগী কমরেদ লেফটনেন্ট পুন্সিবনা 'ঐখোয় য়াওলগী লুরবা তাঙ্কক অমদা লৈরিবনি। নীংতম ঈহৌ হৌরম্বা ৱেসিয়াগী ফুরুপ খরদি ইন্দিয়াগী মোইথেম লাংদা থুখ্রবনি। কংলৈপাক্কী য়াওল্লুপ ওইরিবা ঐখোয় খূদিংমক্কা ৱেসিয়াগী নীংতম য়াওল ঈহৌ হৌরিবা ফুরুপ খূদিংমক্কী থৌনা হাপ্পীগদৌবনি অমদি অপূনবা য়াওল ঈহৌগী থাক্তা পুন্না চৎমিন্নসি' হায়খি। ৱেসিয়াগী অপূনবা য়াওল লাম্থেং খক্তনা লোয়লম শন্দোক্লিবা ইন্দিয়াবু মায়থীবা পীবা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোকপীখি। ইন্দিয়াগী কোলোনিএল হেগেমোনি থেংনবা অসি ৱেসিয়াগী অপূনবা য়াওলগী পাঙ্গলনা থেংনফম থোকই হায়নসু থন্বীখি।

কে ৱাই কে এলগী কেপ্টেন তম্বনা অখন্নবা লেংবীরকপগী ৱারোলদা, 'ঐখোয়গী য়াওল্লুপ কে ৱাই কে এলনা ঙসি ফাওবা মায় পাক্লা য়াওল ঈহৌ চঙশিঞ্জবা ঙম্লক্লিবা অসি য়াওল্লুপ অসিগী ফিদম ঙাক্লা লাকচখিবা অদুননি হায়না ফোঙদোকখি। লমদম অসিদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈমিন্নরক্লিবা ফুরুপ খূদিংমক্কী ঈকায়খুম্নবা অমদি নীংতম্বা ঙাক্লা চৎমিন্নরকখিবা অদুনা লমদমসিগী ফুরুপ খূদিংমক্লা য়াওল্লুপ অসি হিংহল্লক্কখিবনি। কে ৱাই কে এল অসি ৱেসিয়াগী ফুরুপ খূদিংমক্কী হুমাংমল য়াওনা শেমগৎলকখিবা য়াওল্লুপনি, তুংদসু ফুরুপ খূদিংমক্কী নীংতম্বগী ফিরেপ ঙাক্লা য়াওল্লুপ অসিনা চৎখিনি হায়না অচেৎপা ৱাফম থমখি হায়রি।

অখন্নবা লেংবীরকপগী ৱারোল পীরদুনা কে সী পিগী লেফটনেন্ট য়াইফরেম্বনা হায়খি, 'কে সী পি অমদি কে ৱাই কে এলনা ঙসি ফাওবদা কংলৈপাক অমদি ৱেসিয়াগী লৈশেম্লোন মশক খঙনা য়াওল ঈহৌ চঙশিনমিন্নদুনা লাক্লি। তুংদসু ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুন্দুনা য়াওল লাম্থেং অসি মাঙলোমদা মায় পাক্লা চঙশিনখিগনি অমদি নীংতম্বা মান্নবা খুন্নাইদা য়ুম্ফম ওইবা কংলৈপাক অমা পুরকমিন্নসি' হায়না ফোঙদোকখি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## কে ৱাই কে এলগী ২৭শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা চ্যেরমেননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

**ঙরাংগী মখা...**

মঙাশুবদা, নহাশিংনা পাক্তক্লনা দ্রগ শীজিন্নরকপা, মীচমশিংসু ময়াই কাবা চীঙ্গাক মখল অমা নৎত্রগা অমা চারকপা, সনা লৈবাক(সনা=গোল্ডেন, লৈবাক=ট্রাইএঙ্গল?) অদু দ্রগ পান্থী থাফম অমদি দ্রগ শুংফম ওন্থোরকপা অসি ঐখোয়বু মুথৎপা ঙমগদবা অচৌবা প্রোব্লেম অমনি। মসিগী মরম অমদি সোল্যুসন থিবদসু ঐখোয় ইশানা ইশাদা ইরাল পীজে। চীংগী মীয়াম লায়রবনা চীংদা কানি থাবনি অমদি মমা-মপাশিংনা অঙাং য়োকপা হৈতবগী অঙাংনা দ্রগ চারকপনি হায়। য়ু শুংবসু ইনাৎনি, ইরাৎ থৌনিগীনি হায়রগা অদুম য়াই। চীংদা কানি থারল্লবসু খুল্লাকপনা চীংগী লমজাও ওইবনিনা ঐখোয় খঙহৌদে হায়না খুল্লবসু অদুম য়াই। অকনবা লো শেন্দ্বী ৱাফম নাথৈদুনা থন্মী। হিংনবা অতোপ্পা লন্বী পীদ্রবদি য়ারোইহায়রগা মখা তানা খুৎ থাদে। উখোং খূদিংগী লেপ্পিবা ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনা কানি থাবা উরবসু উশিন্নদে হায়বসি কন্নানসু পুথোকপা তৌদে। দ্রগ পীজবসি লোয়লম লৈঙাক্লোননা পীজবনি। লালহৌবা নমথবা ঙস্লে হায়না মখৌ পোংনা লাউরিবা লৈঙাক অসিনা দ্রগ থিংবা ঙমদে হায়বসি তাৎ পাৎকী ৱানি; দ্রগ শুংবা, লল্লোন-ইতিক তৌবা খুৎপুদা পোলিটিসিয়ন অমদি লুচিংবশিং য়াওই হায়বা উৎথোকচরকপনি। লৈঙাক পায়রিবা পার্টিগী এম এল এ মক্লা এম এল এ, মিনিষ্টর অমদি পুলিস ওফিসর খরনা পুকচেল শেংদবদগী দ্রগ মুথৎপা ঙমদবনি হায়না ফোঙদোকখিবা অসিগী ৱাহন্দোক করি ওইফম থোকপগে খন্থবীয়ু। লোয়লম লৈঙাক্লোন্না দ্রগকী মরুনি হায়বনি। দেল্লীনা দ্রগ লল্লোন-ইতিক্তা লৌবা থৌদাংগী মরমদসু এম এল এনা পনবীরল্লবদি য়াম্না ফজরমগনি। দ্রগ লায়না ফংহনবা হায়বসি লালহৌ নমথনবা নার্কো-কেমিকেল ৱারফেয়রনি হায়রি।

তরুকশুবদা, ইরমদমগী অকোয়বগী ফীভম কায়থরক্তুনা মী খুন্দাবা য়াদবা লৈকংলা ওইরক্লিবা অসি ঐখোয়বু মুথৎপা ঙম্বা অচৌবা প্রোব্লেম অমনি। মসিসু লোয়লম লৈঙাক্লা থওইদবা অমদি রেস্পোন্সিবিলিটি লৌদবদগী থোকপা পোথোকনি। মসিগী মথক্তা ঐখোয়বু মখোয়দা তাঙজদ্রবদি হিংবা ঙমদবা ফুরুপ অমা ওইহন্নবা তৌবা লাংলৌ ময়ামগী শরুক অমনি। ঐখোয়গী লোয়লম অসিদা মহৌশাগী খল কায়রল্লিবা অসি মী য়ামখৎলকপগী হৌনশা ওইনা থোরকপা থৌওং (নেচর প্রোসেস) অমা নত্তে; মসি খুৎশেমগী থৌওং অমনি। লোক্তাক প্রোজেক্টনা কংলৈপাক্কী মহৌশাগী খল কায়হল্লি অমসুং মসিনা ঐখোয় মীয়াম্বু ৱাহল্লি হায়বসি য়েৎননিংঙাই লৈত্রবা অচুম্বা ৱাফম অমনি। অদুবু লোয়লম লৈঙাক্লোন্না মসিবু খুৎলায় অমা ওইনা শীজিন্নবনা প্রোজেক্ট অসি তোকপদি মখোয়না পামদে। মশাগী হৌখ্রবা পুন্সিগী চহী ৪০/৫০ লোক্তাক প্রোজেক্টকী অমাঙবগী মরমদা লাউদুনা লাক্লবা অখঙ অহৈ, ওজা ফাওবনা ঙসি এম পি ওইখ্রবা মতুংদদি প্রোজেক্ট অসিগী কান্নবা অমদি প্রোজেক্ট অসি তোক্লগা লাক্কদবা অমাঙবা ময়ামগী ৱা ঙাংলল্লিবা অসিমক্লা প্রোজেক্ট অসি লোয়লম লৈঙাক্লোনগী খুৎলায় অমনি হায়বা মশানা তাকচৈ। হান্নদি মীচম ওইবনিনা অচুম্বা ঙাংলমবনি, মীয়ামগী মায়কৈদা লেপ্লম্বনি; ঙসিনা হংলাই ওইখ্রবনিনা মপুনা য়ানবা অরানবা ঙাংলকপা মশানা তাবনি। কংলৈপাকপু লৈকংলা ওইহনবা হায়বসি লোয়লম লৈঙাক্লোনগী মরুওইবা অচৌবা প্রোজেক্ট অমনি হায়রি।

তরেৎশুবদা, নাকল অমদা ঐখোয় য়েলহৌমীশিংগী মীশিং হন্থরকপা, অদুগা অতোপ্পা নাকল অমরোমদনা মীতোপ চঙশিল্লকপা নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপা অসি ঐখোয়বু কাংখুল মুথৎখিবা য়াবা অচৌবা প্রোব্লেম অমনি। মসিগী মরম থিবদসু অখঙ-অহৈশিংনা কুরাংবানখক্তদা য়েংই, নুংদা করি লৈবগে হায়বদু য়েংদে, মরুওইরিবা মরম অদু খঙনবা হোৎনদে। মখোয়না থয়াইনরবনিনা মীচম মীয়াম্নসু অচৌবা ফুরুপশিংগা য়ুন্লোন্নরুবনা মীতোপ চঙশিল্লকপা তাবনি, থিংবা ঙমদবা অসিনা ঐখোয় মশেল লিংজেল মান্নদবগীনি হায়না ইরায় লায়না খঙদোকপা ঙল্লি। তশেংবদি মীতোপ চঙশিল্লকপা অসি লোয়লম লৈঙাক্লোননা লাংলৌ অমা ওইনা থাজিল্লকপনি। পোল্লোই য়েংবা তারবদি ফেসসিষ্ট নাজিশিংনা জিউশিংদা তৌবা 'ফাইনেল সোল্যুসন' অদুগা ঙসি ঐখোয়দা তৌবীরিবা মীতোপকী পোলিসী অসিগা খেন্নবা করিসু লৈতে হায়রি।

ঐখোয়না তশেং তশেংনা থেংনরিবা খুদোংথিবশিং অসি মশকখঙই হায়রবদি অচুম্বা থিবগী অহানবা খোঙথাং অমদি হৌফম (এন্ট্রি পোইন্ট কন্সেপ্ট) অসি 'ঐখোয় লোয়লম লৈঙাক্লোন অমগী মখাদা লৈরি' হায়বা অসিনা ওইগদবনি। মীওইবা ঐখোয়না মীৎনা উবা ঙমদবা, খোঙনা-খুৎনা শোকপা য়াদবা লোয়লম লৈঙাক্লোন হায়বা ৱাখল অসিদগী হৌরগা মসিনা য়ুম্ফম ওইরগা মীৎমাংদা শান্নবা কুম্মৈগুম হৌজিক হৌজিক তশেং তশেংনা থেংনরিবা থৌওংশিং হায়বদি লায়রবা হেঞ্জিল্লকপা, লমচৎ মাঙলকপা, খুন্নাই কায়থরকপা, পোলিটিক্সকী থাক মহাম তারকপা, ফুরুপকী ৱাখল তুংওইনরকপা, ফুরুপ কাঙলুপ মশেল থাঙ শৎনরকপা, ইরমদমনা লৈকংলা ওইরকপা, দ্রগকী লাইচৎ লাকপা, মীশিং হন্থরকপা, মীতোপ থাজিল্লকপা অসিনচিংবা তশেং তশেংনা উবা ঙম্বা থৌওংশিং অসিগী ৱাহন্থোক পীরক্লবদি ঐখোয়গী অচুম্বা (রিএলিটি) অদু ময়েক শেংনা উরক্কনি। লোয়লম লৈঙাক্লোন হায়বসি করিনো, মসিদা লোই মপু ওইরিবা লৈবাক অদুনা লোই মচা ওইরিবা ফুরুপশিংদা করি তৌই, লোই মচাশিংনা পাউখুম ওইনা করি তৌই, লোই মপু ফুরুপ অমদি লোই মচা ফুরুপ অনী অদুগী মরক্তা করি মরী লৈনৈ, তুংগী লাইবক্লা করি ওইরক্কনি, লোই মপু লৈবাক অদুদনা কনানা লৈবাক্কী খুর্জী পায়বগে অমসুং লোয়লম লৈঙাক্লোনদগী তোংলিবা অমদি তোংগদৌরিবনা করিনো, মাঙলিবা অমদি মাঙগদৌরিবনা কনানো হায়বসি খঙলবা মতুংদা জেনরেল নোলেজ অসিনা য়ুম্ফম ওইরগা ফিরেপ অসিদগী য়েংলবদি ঐখোয়গা ময়োনলম ইন্দিয়াগা লৈনরিবা মরী অসি লোয়লম লৈঙাক্লোননি হায়বা ময়েক শেংনা উরক্কনি। অচুম্বা (রিএলিটি) অসি উরক্লবদি ঐখোয়গী প্রোব্লেম/চেল্লেঞ্জ পুম্নমক লোয়লম লৈঙাক্লোননা তল্লকপা খুদোল ঙাক্তনি হায়বা খঙলক্কনি। অচুম্বা অসি খঙলবদি ঐখোয়গী প্রোব্লেমশিং অসিগী সোল্যুসনসু মশানা মরন্নাই থোক্লক্কনি। ৱাখল খজিক্তং খন্থবা মথৌ তাবগী ৱাতনি হায়রি।

ঐখোয়গী মায়চৌ মায়নৌ অমদি সোসল ৱর্করশিংনা মীচম ওইনা হিংবনিনা লৈঙাক্কী মীওৎ মীনৈ কিবদগী ঐখোয়গা ইন্দিয়াগা লৈনরিবা অচৌবা মরী অমদি পোলিটিক্স অসিদা (ষ্ট্রকচরেল লেভেলদা) হকথেংননা য়ৈখাই থিনগাইবা পীবা ঙমদ্রবসু, অপীকপা লন্নাইগী ওইবা থবক থৌদৌশিং (হ্যুমেন এজেন্সী লেভেল) দা ঐখোয়গী শক্তম কঞ্জনবা খুৎ থাবদি ঐখোয় হিংনবগীদমক তৌফম থোকপা ইথৌদাংনি হায়না খঞ্জে। লোয়লম অমগী মশীং য়াম্বা মীয়াম্না থৌদৌ অসি মরিক চুম্না তৌখিবা ফুরুপ পুম্নমক চহী চা কয়া লোয়লম ওইজরবসু কাংখুল মুৎখিদে হায়বসি পুৱারীনা শাখিনি। মসিগী মথক্তা থৌদৌ অসি তৌরবদি ঙসিগী ঐখোয়গী মীয়ামগী অমদি ফুরুপকী খুদক্কী অৱাবসু য়াম্না কোক্কনি। মথক্কী ৱাখল্লোন অসি লৈবাক মীয়াম্না খন্নবীনবা মীয়ামগী খুয়াখাদা থমজরি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।